**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় ক্‌মার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা মণিপুরগী ওইরিবা কোভিদ নাইন্তিনগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

২) মণিপুরদা নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা মীওই ৭ থেংনবগা লোয়ননা হৌজিক এক্তিভ কেস ১৬ লৈরি।

৩) ধরতি অবা জন জাতিয়া গ্রাম উৎকার্স অভিয়ান ঙসিদগী মণিপুর য়াওনা লৈবাক শিনবা থুংবদা হৌখ্রে।

৪) মণিপুরদা থা অমা চুপা চথুরকপা ৱার্ল্ড হাইপর তেন্সন ডে ঙসি লোইশিনখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অমসুং সাইপ্রসনা তুংদা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা রোড মেপ অমা শেম্লগনি।

------

গভর্নর (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা কোভিদ নাইন্তিনগী রিভিউ মিতিং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি, ষ্টেট হেলথ দিপার্টমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগী মকোক থোংবা মেদিকেল ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

রাজ ভবনগী চেরোল অমনা হায়- কোভিদ নাইন্তিন অমুক হন্না শন্দোরকপা য়াবগী নুংনাংবা পোক্তুনা মাংজোননা কন্না শেম শাহৌনবা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়না খঙহল্লকপা মতুংইন্না মীফম অদু পাঙথোকপনি। ওফিসিয়েলশিংনা রাজ্যপালদা হৌজিক দাইগোষ্টিক্স, প্রোটেক্তিভ ইক্যুপমেন্ট, ওক্সিজেন সপ্লাই, আই.সি.য়ু অমসুং আইসোলেসন ৱার্দ, তঙাইফদবা হিদাক অমদি আই.দি.এস.পি-আই.ঐচ.আই.পি পোর্তেল য়াওনা রাজ্য অসিনা শেম শারিবশিং পাউদমখি। মীফম অদুনা টেষ্টিং কেপাসিতি, মেদিকেল সপ্লাই অমসুং হোস্পিতাল রেদিনেসনচিংবা ৱাফমশিংসু খন্নখি। রাজ্যপালনসু মাংজোননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা অমসুং কোভিদ কেসশিং হেনগৎলকপদা নিংথিনা থেংনবা ঙমবা শেম শাদুনা লৈনবা অমসুং মীয়াম্বু ভাব তাহন্নবা পাউতাক পীখি।

কোবিদ (এল)ঃ  মণিপুরদা নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা মীওই ৭ থেংনবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২০ পোজিতিভ ওইরে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা মীওই ১৪ পোজিতিভ ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা জিলা ওইরি। ইম্ফাল ইষ্টতা মীওই ৩ অমসুং থৌবাল, বিষ্ণুপর অমসুং ককচিং জিলাদা মীওই অমমম পোজিতিভ ওইরে।

হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই অমা হোম আইসোলেসনদা লৈরম্বা অদু দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক মীওই ১৬ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি।

কেম্পেন (এল)ঃলৈবাক শিনবা থুংবগী খুঙ্গং লিশিং ৬৩ হেনবদা সরকারনা পীবা তোঙান তোঙানবা খ্‌দোংচাবশিং হেন্নবা মপুং ফানা ফংহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা ধরতি অবা জন জাতিয়া গ্রাম উৎকার্স অভিয়ান ঙসি দগী হৌখ্রে। মণিপুরদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ধরতি অবা জন ভগিদারি অভিয়ানগী মখাদা মীয়াম্বু ভাব তাহনবা কান্নবা পীবগী কেম্প ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট

জিলাগী কৈখু কবুই ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে। কেম্প অদু হৌদোক্লদুনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ নেভেদিতা লাইরেনলাকপমনা হায়- সরকারগী স্কিমশিং মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মথৌনি। মহাকা কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিয়েলশিংদা মাগী মাগী দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা সরকারগী স্কিমশিং অমসুং মদুগী কান্নবশিং মীয়ামদা শোইদনা ফংহন্নবা খঙহনখি।

থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথুগদবা কেম্প অসিদা হয়েং চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্টনা টি.বি, আয়ুসমান ভারত কার্দ, সিকল সেল টেষ্টিং, মিসন ইন্দ্রধনুসনচিংবগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব চাহন্নবা থৌরমগা লোয়ননা হেলথ কেম্প পাঙথোক্কনি। ফোরেষ্ট, এগ্রিকলচর, এস.দি.ও পোরোমপাৎ, পি.ঐচ.ই.দি ইম্ফাল ইষ্ট দিভিজন, দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার, দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসার, পোষ্ট ওফিস, বেঙ্ক, পি.এম. বিশ্বা কর্ম্ম, আই.সি.দি.এস, পৱারনচিংবা দিপার্টমেন্টশিংনা মথং মথং কেম্পশিং অসিদা মখোয়গী স্কিমশিং অমসুং মদুগী কান্নবশিং মীয়ামদা ফংহন্নবা থৌরাং তৌরি।

নোনে জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা ধরদি অবা জন ভগিদরি অভিয়ানগী কেম্পেন ঙসি নুংথিলদগী হৌখ্রে। এৱারনেস অমসুং বেনিফিত কেম্প অসি লোংমাই পার্ট থ্রিগী মল্টি পরপজ হোলদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ শরদ চন্দ অরোজ্না  হৌদোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. নমসদাই পিতরসু য়াওখি।

জিরিবাম জিলাদা চথরিবা অভিয়ান অসিগী মতাংদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণ কুমারনা ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীদা হায়- অভিয়ান অসি অককবা মতমগী মনুংদা ট্রাইবেলগী লমশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা অমসুং ট্রাইবেল মীয়ামদা শক্তি পীনবা পায়খৎপনি। মহাকা হায়- অভিয়ান অসিনা জিরিবাম জিলাগী ট্রাইবেল খুল অহুম- ভুতাংখাল, জাইরোলপোকপী অমসুং সোতো বেক্রাবু মপুং ফানা চাওখৎহন্নবা পান্দম থল্লি। সোতো বেক্রাদদি

কেম্পেন অসি ঙসিদগী হৌরে। অতৈ খুঙ্গং অনিদুদনা কোন্না পায়খৎকনি হায়খি।

সেনাপতি জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মামুনি দোলেনা প্রধান মন্ত্রি ধরতি অবা জন ভাগিদারি অভিয়ান অমসুং খরা হেন্না শোথরবা ত্রাইবেল কাংলুপশিংগী ওইবা প্রধান মন্ত্রি জনজাতি অদিবাসি নিয়াইয়া মহা অভিয়ান (পি.এম-জনমান)গী ইনফোর্মেসন, ইজ্কেসন এন্দ কম্যুনিকেসন (আই.ই.সি) কেম্পেন ঙসি জিলা অসিগী কাতোমৈ কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে। থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথুগদবা কেম্পেন অসিদা জিলা অসিগী সবদিভিজন ৮ য়াওরি। ঙসি থৌরম হৌদোকপগী শরুক অমা ওইনা দি.সিনা কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রালয়না পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা মল্টিপরপজ সেন্তরশিং যাত্রা হুনখি।

কামজোং জিলাদসু দিপ্যুতি কম্মিসনার রাংনামৈ রাং পিতরনা কেম্পেন অসি এস.দি.ও ওফিস কামজোং এম.জি.এন.আর.ই.জি.এস হোলদা হৌদোকখি। মহাকা খুলগী লুচিংবশিং, মহৈরোশিংগী লুপ অমসুং মীয়ামা পুন্না শরুক য়ামিন্নদুনা কেম্পেন অসি মায় পাকহন্নবা আপীল তৌখি।

ফেরজোল জিলাগী ব্লোক অহুম- থানলোন, বাংগাই অমসুং তিপাইমুখতসু ঙসি নিনি চনবা ওইনা কেম্পেন অসি পাঙথোকখি।

উখ্রুলগী মিনি সেক্রেটরিয়েটতসু কেম্পেন অসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পোলি মকান্না হৌদোকখি।

নুমিৎ ১৫ নি চথুগদবা কেম্পেন অসি কাংপোকপী জিলাগী ওইনসু কে.ভি.কে হেনবুংদা দিপ্যুতি কম্মিসনার মহেশ চৌধুরিনা হৌদোকখি। কেম্পেন অসি কে.ভি.কে. হেনবুং অমসুং দাইল্লি কম্যুনিতি হোলদা তোঙান তোঙান্না পাঙথোক্কনি।

হাইপরতেন্সনঃ মণিপুরদা থা অমা চুপা চথুরকপা ৱার্ল্ড হাইপর তেন্সন ডে ঙসি লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদু নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগী এন.সি.দি দিভিজন অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেস মণিপুরনা

শিনবনি। থৌরম অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা ৱাকথোন অমা পাঙথোকখি। ৱাকথোন অদু লম্ফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেসকী কেম্পসতগী হৌরগা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট ফাওবা চৎলবা মতুংদা হান্নগী মফমদা অমুক হল্লকখি। নুমিৎ অসিগা মরি লৈননা দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা হেলথ চেক অপ অমসু পাঙথোকখি। থা অমা চুপা চথুখিবা পালন থৌরম মনুংদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুল অমসুং কলেজ তম্লিবা মহৈরোইশিংদা অখঙ অহৈশিংনা হাইপর টেন্সনগী মতাংদা তাকপী তম্বীখি অমদি অখন্নবা স্ক্রিনিং কেম্পশিংসু পাঙথোকখি।

লোইশিনবগী মপুং ওইবা থৌরম দাইরেক্তোরেট অসিদা পাঙথোকখি। মদুদা, অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংবগা লোয়ননা এৱার্দ অমসুং রিকোকিসন সর্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

পুলিস (এল)ঃ বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দোগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শঙাইথেল মখা লৈকাইদা থি হুম্বগী থবক চথুবদা তম্পাক্কী লালহৌবশিংনা লোৎলম্বা ওইরমগনি হায়না চিংনবা সভেন পোইন্ট সিক্স ট্ এম.এমগী এস.এল.আর অমা অমসুং মেগজিন অনি ফংলে। ফারবা পোৎলমশিং অদু পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, সোসিয়েল মিদিয়াদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালাদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লক্লে হায়বগী পাউ শন্দোক্লিবা অদু অরানবনি হায়না মণিপুর পুলিসনা খঙহল্লক্লি। পাউ অসিবু লান্না শন্দোক্নুনা মীয়ামদা মীপাইবা পোকহল্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

লৈতানপোকপী (এল) ঃ পুখাউ লৈতানপোকপীদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী উংখৎনা থোকখ্রবা মতুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মীকুপ নাহুম শিংনা য়েংশিল্লি।

মখা তানা য়ুনাইতেদ কমিতি পুখাউ এন্দ মকেং দোলাইথাবী গ্রাম পঞ্চায়টকী এদভাইজর নাওরেম নাগেশ্বর মীতৈনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউগী মীফম অমদা হায়- কাংপোকপী জিলাগী সোংফেল খুলগী খুঞ্জাশিংনা মফম অদুদা লৌ উবা চংলুবা মীওইশিংবু অথিংবা থল্লকপা অমদি লৌকোল অদু কুকিশিংগী লমনি হায়রকপা অদু য়ুন্স্ফম য়াওদে। লৌকোল অদুগী অশেংবা মপু তাকপা পত্তাসু পাউমীশিংদা উৎখি।

হার (এল)ঃ রাজ্য অসিগী লৌমীশিংদা খরিফ লৌরোক্কী য়ুরিয়ার হার সরকারনা য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা লৌ উবদা চংবা য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপা ঙসিদগী হৌখি। নুমিৎ ১০ নি চত্থগদবা হার য়েন্থোকপগী থৌরম অসি ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সতগী লমথাখি।

থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী ওইনসু তোঙান তোঙানবা মফম ৯ দা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার থৌবালনা শিন্দুনা ঙসিদগী হার য়েন্থোকপা হৌখ্রে। থৌবাল ৱাংম তাবা য়ুথ ক্লব শঙলেনদা পাঙথোকপা য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপগী থৌরমদা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার থৌবাল থোঙাম জোয়প্রকাশনা হায়- ঙসিদগী হার য়েন্থোকপা হৌরিবা অসি থা অসিগী ২৫ ফাওবা জিলা অনি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি। চহি অসিগী খরিফ লৌরোক্কী ওইনা ফৌদি লৌনবা চে চাং পীশিনখ্রবা লৌমীশিংনা হয়েংদগী ফৌদি লৌরবা য়াগনি।

চান্দেল জিলাগী ওইনসু তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা ঙসিদগী হার য়েন্থোকপা হৌখ্রে। মীয়ামা চকপিকারোং কম্যুনিতি হোল, দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস অমদি মাইপৌ কম্যুনিতি হোলদগী হারশিং অসি য়েন্থোক্কনি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সেন্তর ফোর ষ্টদি ওফ সোসিয়েল ইনক্লুজনগা করাং আইলেন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কিদো)গা খুৎশমদুনা মার্জিনেলাইজ কম্মুনিতিজ ইন থাঙ্গ ভিলেজ হায়বা হিরমদা খুঙ্গং অদুগী খুঞ্জাশিংগা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কিদোগী জেনেরেল সেক্রেতরি শোইবম কান্টনা খুঙ্গং অদুদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং পাউদমখি। থৌরম অদুদা এম.য়ুগী সেন্তর অসিগী এসেসিয়েট প্রোফেসার ডাঃ থিয়াম ভারত সিংহ অমসুং কিদোগী প্রসিদেন্ট শলাম খেদাসু য়াওখি।

কোকোমি (এল)ঃ অহামেদবাদকী প্লেন কায়বদা লৈখিদ্রবা মণিপুরদগী কোংব্রাইলাৎপম ঙাম্থোই শর্ম্মা অমসুং নামলুনথেম সিংসনগী হকচাং রাজ্য অসিদা পুরক্লবা মতুং মশা মশাগী ময়ুম তমা পুবদা মীয়ামা অয়েৎ অপন পীবীদনবা কোওর্দিনেসন কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না আপীল তৌরি। কোকোমিনা রাজ্য সরকার অমসুং মরী লৈনবা এদমিনিষ্ট্রেতিভ ওথোরিতিশিংনা তঙাইফদবা থবকশিং পায়খৎপীনবসু হায়রি।

তমেংলোং (এল)ঃ রোংমৈ নাগা কাউন্সিল তমেংলোং জোন, জেমে নাগা কাউন্সিল মণিপুর, লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুর তমেংলোং জোন, ইনপুই নাগা য়ুনিয়ন তমেংলোং অমসুং ভিলেজ ওথোরিতিজ চেয়ারমেন কাউন্সিল ওফ তমেংলোং, তামৈ এন্দ তৌসেম, চেয়ারমেন এন্দ সেক্রেতরিজ এসোসিয়েসন তমেংলোং অমসুং জোইন্ট ত্রাইবস ৱিমেন এসোসিয়েসন্না তমেংলোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারদা নফসাগী চেং চহি অসিগী এপ্রিল অমসুং মে থাগী ওইনা মীয়ামদা ফংহনদবগী মতাংদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে। লুপশিং অসিনা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মীয়ামদা চেং ফংহনদবগী মরম পীরকবা অমসুং নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা মীয়ামদা ফংফম থোকপা চেং ফংহন্দ্রবদি অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়রি।

বেতি (এল)ঃ বেতি বচাও, বেতি পরাও স্কিমনা চহি ১০ মপুং ফারকপগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং অমসুং আই.সি.দি.এস সেল ককচিং, দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসনা পুন্না শিন্দুনা পল্লেল অমসুং ৱাবগাইদা তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রিট প্লেশিং উৎখ্রে।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অমসুং সাইপ্রসনা তুংদা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা রোড মেপ অমা শেল্লগনি। শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অনিগী মরুপ মপাং ওইবগী মরী অসি ফিভমনা য়াদদুনা শেন্বা নত্রগা পনখৈ লৈবা নত্তে। মতম কুইনদগী লিশাং শিৎনা লৈরক্লবা মরীনি।

ৱাফম অসি প্রধান মন্ত্রিনা সাইপ্রসকী রাষ্ট্রপতি য়াওবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা নিকোসিয়াদা লৈবা প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসতা পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবনি।

মদুগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রিনা নিকোসিয়াদা প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসতা থুংলবদা হৱাউ তয়ামা ওকখি। শ্রী মোদিনা রাষ্ট্রপতি নিকোসকা কনা অমত্তা য়াওদনা ৱারী শান্নখি। মদুদা রাষ্ট্রপতিনা রিপাব্লিক ওফ সাইপ্রসকী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান মনা- গ্রান্দ ক্রোস ওফ দ ওর্দর ওফ মকারিওজ থ্রি শ্রী মোদিদা পীদুনা ইকায় খুমখি।

সেন্সস ঃ ভারতকী ১৬ লক শুবা মীকোক থীবগী গেজেদ নোতিফিকেসন ঙসি থোকখ্রে। গৃহ মন্ত্রালয়না থোকপা নোতিফিকেসন অদুনা হায়- লদাখ য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমদি জম্মু কাশ্মীর অমসুং হিমাচল প্রদেশ অমদি উত্তরাখন্দগী উন্না কুপশিন্দুনা লৈবা মী চংবা য়াদবা মফমশিং নত্তনা মীকোক থীবা অসিগী রিফরেন্স তারিখ ইং কুমজা ২০২৭ কী মার্চ ১ ওইগনি। অদুগা হায়রিবা মফমশিং অসিগীনা ২০২৬ কী ওক্তোবর ১ দা রিফরেন্স তারিখ ওইগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ ১৫ শুবা অস্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এফ.সি ইম্ফাল অমসুং ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয় পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

ফুটবোলঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিনবা অনিশুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী অৱাং সেকমাই মখা লৈকাই শাবল লম্পাক্তা শান্নরম্বা অদু মখা তানা সেকমাই কৌজেংলৈমা গ্রাউন্দদা ওইনা শান্নরগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমনা খণ্ডহল্লি।

ফুটবোলঃ কুম্বি আদরস য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না শিনবা ৬ শুবা ক্রাইয়ো ট্রোফিগী ফাইনেল মেটচ হয়েং কুম্বী কাংজৈবুং গ্রাউন্দদা শান্নরগনি। ফাইনেলদা মেন্মা এফ.সি. তেরাখোং অমসুং ইমোইনু এফ.সি কুম্বী লম্বা তৌনগনি।

ফুটবোলঃ দিভলপমেন্ট য়ুথ এসোসিয়েসন এলাং খাংপোকপীনা শিন্দুনা চথরকপা লেট এল.সনা এলাইজ ইঙম মেমোরিয়েল ফুটবোল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ই.পি.ৱাই.সি এলাং খাংপোকপীনা য়ং বোইজবু পেনালতিদা পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাংখে এফ.সিনা এম.পি.এম থৌনাউজমবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

------